# মোদি অমসুং অবেনা অহমেদবাদ-মুম্বাই বুলেট ট্রেন প্রোজেক্ট লোঞ্চ তৌখ্রে



অহমেদবাদ, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী):
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং জপানগী মহাক্কা ফম মান্নবা সিঞ্জো অবেনা ঙসি অহমেদবাদ অমদি মুম্বাইগী মরক্তা চেনগদবা ইন্দিয়াগী অহানবা বুলেট ট্রেন প্রোজেক্টকী উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।

লুপা ক্রোর লাখ ১.০৮ (দোল্লর বিলিয়ন ১৭) চঙনা অহমেদবাদতগী মুম্বাই ফাওবা কিলোমিটর ৫০৮ শাংবা হায় স্পীদ রেল প্রোজেক্ট লোঞ্চ তৌরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লুপা ক্রোর ৮৮,০০০ লোন ওইনা পীবীরকপগীদমক জাপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। চহী ৫০ চঙনা শিংগদবা লোন অসিগী শেন্দোয় চহীদা শুপ্পগী ০.১নি। ঙসিদগী হৌরগা চহী ১৫গী মতুংদা লোনগী শেনফম শিংগৎপা হৌগদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু অশেংবা মরূপনি হায়না শীংথারদুনা সিঞ্জো অবেনা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মীৎয়েং শানবা মরম্না লৈবাক অসি খোঙজেল য়াঙনা মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা অনৌবা ইন্দিয়া অমা শেমগৎনবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়নননা জপানবু মরুওইবা পার্টনর ওইনা খনখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়নসু জপানগী লুচিংবা অদুনা ফোঙদোক্লি।

মোদি অমসুং অবেগী মথক্তা রেলৱে মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়েল, মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর রেলৱেজ মনোজ সিনহা, গুজরাটকী গভর্ণর ও পি কোহলি, গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি অমদি মহারাষ্ট্রগী চীফ মিনিষ্টর দেবেন্দ্র ফদনাবিসসু থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা তিনখিবা মীয়ামদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হায়খি, লৈবাক অসিদা বুলেট ট্রেন চেলহন্নবগী মঙলান মঙফাওনহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংলকখিবগীদমক লৈবাক মীয়ামবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মমাঙদা বুলেট ট্রেনগী ৱাফম হৌদোক্লবদা ওপোজিসননা কান্নরোইদবদা অচৌবা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরকখি। ঙসি বুলেট ট্রেনগী মঙলান মঙফাওনরবা মতমদনা থৌরাং অসিগী থোইদোকপা মথৌ তাদে হায়না অমুক ওপোজিসননা ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী বুলেট ট্রেন প্রোজেক্টতা লন্নাই ওইনা থৱায় য়াওশিনবীরকপগীদমক সিঞ্জো অবেবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, বুলেট ট্রেনগী প্রোজেক্ট অসি জপাননা ইন্দিয়াদা তন্নকপা মমল য়ান্নবা খুদোলনি।

অমরোমদা, অবেনসু ইন্দিয়া অমদি জপানগী মরী চেৎশিনহনবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা হায়খি, ইন্দিয়াগী মপাঙ্গল কল্লবা মতমদা জপানগী অফবা ওইগদৌরিবনি। জপাননা মপাঙ্গল কল্লবা মতমদসু ইন্দিয়াগী অফবা ওইগনি।

মহাক্না হায়খি, চহী খরগী মতুংদা ইন্দিয়াদা অমুক হন্না লাকপা মতমদা বুলেট ট্রেনগী থোঙনাউ ময়াদা ফল্লগা ইন্দিয়াগী নীংথিজরবা মফম পুন্নমক য়েংবা পাম্মী। অহমেদবাদতগী মুম্বাই ফাওবা চেনগদৌরিবা বুলেট ট্রেনগী অয়াঙবা পুংদা কিলোমিটর ৩৫০ নি।

# মপান্দগী শেন্থং লৌবা এন জি ও ১,২২২গী বেঙ্ক একাউন্ট পীরক্লবা গভর্ণমেন্টনা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী):
মপানগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদগী শেন্থং লৌথরিবা এন জি ও ১,২২২ না হায়রিবা শেনফম অদু ফংলিবা বেঙ্ক একাউন্ট পীরক্লবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখ্রে।

থৌরাং অসি মতম চানা লৌখৎলক্তবা তারবদি মতিক চাবা চৈরাক ফংগনি হায়রি। বেঙ্ক একাউন্ট পীরক্লবা খঙহনখিবা এন জি ওশিংগী মনুংদা রামাকৃষ্ণ মথ, রামাকৃষ্ণ মিসন, ইন্দোর কেন্সর ফাউন্দেসন চেরিটেবল ট্রষ্ট, কোইম্বেটোর খৃষ্টিয়ন চেরিটেবল ট্রষ্ট, দিল্লি স্কুল ওফ সোসল ৱার্ক সোসাইটি, হিন্দু অনাথ আশ্রম অমদি মদানি দারুট তর্বিয়দ য়াওরি।

লিষ্টতা য়াওরিবা অতৈ অতোপ্পা এন জি ওশিংগী মনুংদা রেহমট ঈ অলম হোস্পিটাল ট্রষ্ট অনন্তনাগ, রোটরি ক্লব ওফ মুম্বাই মিদৱেষ্ট, জে কে ট্রষ্ট, বোম্বে, গুঞ্জ, মদিনা এদ্যুকেসন এন্দ চেরিটেবল সোসাইটি, নাগালেন্দ বাইবল কোলেজ অমসুং ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ফোর নেচর এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট ষ্টদি য়াওরি।

সর্ক্যুলর অমদা হোম মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, ফোরেন কন্ট্রিব্যুসন রেগ্যুলেসন এক্ট (এফ সী আর এ)গী মখাদা রেজিষ্টর তৌরবা এন জি ওশিংনা শুপ্পগী বেঙ্ক একাউন্ট অমখক্কী খূথাংদা মপান্দগী শেন্থং লৌথগদবনি। হৌজিক-হৌজিক ওর্গনাইজেসন খরনা তোঙান-তোঙানবা বেঙ্ক একাউন্টশিংগী খূথাংদা মপান্দগী শেন্থং লৌথবা থেংনরে। মসিনা বেঙ্কশিংদা খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লে। মরম অদুনা মপান লৈবাক্কী শেনফম হেক ফংবগা পুং ৪৮ গী মনুংদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা রিপোর্ট পীগদবনি হায়বা এফ সী আর এগী প্রোভিজনশিং ঙাক্লবা হোৎনবদা অপনবা ওইহল্লে হায়না সর্ক্যুলর অদুনা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ২৭ তা এফ সী আর এগী তোঙান-তোঙানবা প্রোভিজনশিং ঙাক্লা চৎলমদবগীদমক গভর্ণমেন্টনা এন জি ও ২০,০০০ লোমগী এফ সী আর এ লাইসেন্স কক্পা লৈখ্রবনি।

অমরোমদা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অচেৎপা ফিরেপ লৌখিবদগী জৱাহরলাল নেহরু য়ুনিভর্সিটি, দিল্লি য়ুনিভর্সিটি, আই আই টি দিল্লি, আই সী এ আর অমসুং সুপ্রিম কোর্ট বার এসোসিএসননচিংবা একাদেমিক ইন্সটিট্যুসনশিং মপান লৈবাক্তগী মখা তানা শেন্থং ফংলোইদৌরি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না হায়রিবা ইন্সটিট্যুসনশিং অসিনা এফ সী আর এগী মখাদা তৌবা রেজিষ্ট্রেসন কক্লে হায়রি। এফ সী আর এদা রেজিষ্টর তৌদবা ওর্গনাইজেসন অমত্তা মপান লৈবাক্কী শেন্থং লৌথবা য়াদে। লোগী মতুংইন্না হায়রিবা ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা চহী খূদিংগী ইনকম অমসুং এক্সপেন্দিচর ষ্টেটমেন্ট গভর্ণমেন্টতা পীশিনগদবনি। মদু নৎত্রবদি মখোয়গী রেজিষ্ট্রেসন কক্কনি হায়রি।

এস সী আর এগী লাইসেন্স কক্খ্রবা ইন্সটিট্রসনশিংগী মনুংদা ইন্দিরা গান্ধী নেসনল ওপন য়ুনিভর্সিটি, লেদি আর্ৱিন কোলেজ অমসুং পঞ্জাব য়ুনিভর্সিটিনচিংবা য়াওরি।




# 'রোহিনজাশিংনা লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা অকায়বা থোকহল্লক্কনি'

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী):
সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ঙসি সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌখিবা এফিদেবিট অমনা হায়খ্রে মদুদি, রোহিনজাশিংনা লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াই।

ম্যান্মারদগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা রোহিনজা ফুরুপকী মীওইশিং গভর্ণমেন্টনা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎলিবনি।

রোহিনজা রেফ্যুজীগী মতাংদা ইন্দিয়াবু ফত্তবা লৈবাক অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা হায়খি, কনাগুম্বা খরনা ইন্দিয়াগী মিংচৎ থিহন্নবগীদমক য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকপনি।

ইন্দিয়ানা রোহিনজা মুস্লিমশিং ম্যান্মারদা হলহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী লুচিংবা জিদ রাদ অল-হসননা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হোম কিরেন রিজিজুগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না হায়খি, রোহিনজাগী মতাংদা ইন্দিয়াগী মথক্তা মরাল শীফম থোক্তে। অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা মীওইশিং অসিনা লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াবা মরম্না অথুবা মতমদা মীওইশিং অসি হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপনি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়ানা বাংলাদেশতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিনজা মুস্লিম রেফ্যুজীশিংগীদমক তেংবাংগী পোৎলম টন ৫৩ থাখ্রে। ইন্দিয়ানা তেংবাংগী পোৎলম টন ৭০০০ বাংলাদেশতা থানবা থৌরাং তৌরি।

জম্মুগী তোঙান-তোঙানবা সেট্লমেন্ট ২৩ দা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিনজা ৭,০০০ না সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলদুনা মখোয়গী মরক্তা টেররিষ্ট অমত্তা য়াওদবা মরম্না মখোয়বু লৈঙাক্না নীংথিনা লোয়নবীবা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

রোহিনজা ফুরুপনা লৈবাক্কী সিক্যুরিটিদা খূদোংথীবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না সুপ্রিম কোর্টতা তোঙান-তোঙানবা পিটিসন কয়া ফাইল তৌরকপা লৈখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা সেন্টরগী ময়েক শেংবা ফিরেপ খঙহল্লক্লবা চীফ জষ্টিশ দিপক মিশ্রানা লুচিংবা সুপ্রিম কোর্টকী বেঞ্চ অমনা খঙহনখি।



# র‍্যান ইন্টরনেসনল গ্রুপকী ট্রষ্টী ৩দা বোম্বে হায় কোর্টনা এন্টিসিপেটরি বেল পীখিদ্রে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী):
র‍্যান ইন্টরনেসনল গ্রুপকী ট্রষ্টী অহুম্না ট্রাঞ্জিট এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা হায়জরকপদা বোম্বে হায় কোর্টনা অয়াবা পীখিদ্রে। অদুমওইনমক আপিল ফাইল তৌনবগী মতম পীবা ওইনা মখোয় অহুম্বু ইরাই নুমিৎ ফাওবা ফাবা য়াদনবগীদমক ইন্টরিম প্রোটেক্সন পীখি।

জষ্টিশ অজয় গদকারিনা র‍্যান গ্রুপকী সীঈ ও র‍্যান পিন্টো, ফাউন্দিং চেয়রমেন ওগষ্টিন পিন্টো অমদি মেনেজিং দিরেক্টর গ্রেস পিন্টোবু মুম্বাই পুলিস কম্মিস্নরদা মখোয়-মখোয়গী পাসপোর্ট পীশিন্নবা খঙহনখি।

সেপ্টেম্বর ৮ দা র‍্যান গ্রুপনা চল্লাইবা গুরগাউনগী স্কুল অমদা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা টোইলেট মনুংদা শিদুনা লৈরম্বগী মতাংদা ট্রাঞ্জিট এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা পিন্টো ফেমিলিনা হায় কোর্টতা হায়জখিবনি।

লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী অপোকপা বারুন থাকুরনা হায়খি মদুদি, অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগীদমক পিন্টো ফেমিলিগী মীওইশিংদা বেল পীরোইদবনি। অঙাং শিখিবগী থৌদোক্তা মপুং ওইনা চেন্নবনি হায়বা স্কুলগী বস কন্দক্টর অশোক কুমার পুলিসনা ফাবা লৈখ্রবনি।

র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমানবু তমথীনা হাৎলম্বগী মতাংদা মমা-মপা অমদি এস আই টিগী মফমদা ৱাহং কয়া থোরকখ্রবনি।

সেপ্টেম্বর ৮ দা প্রদ্যুমানবু স্কুলগী ৱাশরূমদা মঙক লেন্থৎলগা হাৎলম্বগী মতাংদা থিগৎলিবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটিনা স্কুলগী মায়কৈদা অশোয়বা কয়ামরুম থেংনরকখি। মরুওইনা দ্রাইভর, কন্দক্টর অমদি অতৈ ষ্টাফ মেম্বরশিং পুলিস ভেরিফিকেসন তৌরমদবা অমসুং স্কুলগী বাউন্দরি ৱাল নিংখায়রম্বা থেংনখি।

এস আই টিগী ছোর্স অমনা হায়খি মদুদি, মহৈরোয় হাৎখিবগী থৌদোক অসিদা অতোপ্পা অহুমশুবা মীওই অমা চেন্নরম্বা য়াই। হায়রিবা মীওই অদু টোইলেটকী থোঙনাউ ফাউদোক্লগা চেন্থোক্লম্বা য়াবগী খূদম থেংনরে।

প্রদ্যুমানগী অপোকপা বারুন থাকুরনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না অয়ূক পুং ৭.৫৫ তাবদা মচানুপা অমদি মচানুপীবু র‍্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা থন্নম্বনি। অয়ূক পুং ৮.১০ দা মচানুপা অদু ৱাশরূমদা শিরগা লৈরম্লে হায়না স্কুলগী মেনেজমেন্টনা থাকুরদা টেলিফোন তৌদুনা পাউ পীরকখি। মীহাৎ অদু অয়ূক পুং ৮ দগীনা পুং ৮.১০ ফাওবগী মনুংদা চথখিবা ওইরমগনি হায়না এস আই টিনা ফোঙদোকখি।

# এল ও সীদা পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফ ২ শোক্লে



জম্মু, সেপ্টেম্বর ১৪ (এজেন্সী):
পাকিস্তাননা সিজ ফায়র থুগায়দুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পূঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ইন্টরনেসনল বোর্দর অমদি লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী জৱান ২ য়াওনা মীওই ৫ শোক্লে।

পুলিস ওফিসর অমনা হায়খি, পাকিস্তান রেঞ্জরসনা অখনুরগী পরগৱাল সেক্টরদা ব্রহ্মন বেলা অমসুং রাইপুর বোর্দর আউটপোষ্টতা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। ইন্টরনেসনল বোর্দরদসু মোর্টার সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকপদগী বি এস এফনা খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা নাকল অনী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি।

থৌদোক অদুদা মীচম অহুম অমসুং বি এস এফকী জৱান অনী অশোক-অপন নংলে হায়না পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি। হৌখিবা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা পাকিস্তাননা মতৌ অসুম্না সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা হন্দক্কী অসিনা মরিরক শুবনি।

সেপ্টেম্বর ১ দসু পাকিস্তাননা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপদা পূঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী কৃষ্ণ ঘাটি সেক্টরদা লৈবা ফোরৱার্দ পোষ্ট অমদা মথৌ তৌরম্বা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্টর কমলজিৎ সিংহ অশোক-অপন নংখি। শোক্লবা মীওই অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখ্রবনি। চহী অসিগী ওগষ্ট ফাওবদা পাকিস্তাননা সিজ ফায়র থুগায়দুনা ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক ২৮৫ থোকখ্রে। কুমজা ২০১৬ কী ওইনদি ঙমখৈ ৱাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক ২২৮ থোকখি।

থা অসিগী হৌগৎলকপদসু পাকিস্তানগী লান্মীশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টতা অনীরক হন্না সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা লৈখ্রে।

অহানবদা পাকিস্তাননা লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্কী পূঞ্চতা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। ইন্দিয়ন আর্মিনসু চপ মান্নবা মওংদা খূৎ হন্দুনা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপখি হায়না দিফেন্সকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

ওগষ্ট ৩১ দসু পাকিস্তাননা রাজোরি দিষ্ট্রিক্টকী নাওসেরা সেক্টরদা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা লৈখ্রে। মদুগী মমাঙদনা ওগষ্ট ১৬ অমসুং ওগষ্ট ২৭ তা পূঞ্চতা নোংমৈ কাপশিল্লকখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, অঙনবা অয়ূক্তা পূঞ্চকী মনকোট সেক্টর মনাক্তা পাকিস্তাননা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি।

অমরোমদা, শ্রীনগরগী পন্থা চোকতা টেররিষ্টশিংনা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিং তোংবা বস অমদা এটেক চথুরকপদা পুলিসমেন অমা শিখিবগা লোয়নননা অতোপ্পা কয়ামরুম অশোক- অপন নংবা লৈখ্রবনি।

মিলিটেন্টশিংনা জেৱান এরিয়াদা ষ্টেট আর্মদ পুলিসকী গাড়ী অমদা এটেক চথুরকপদা পুলিসমেন নিপান অশোক-অপন নংখি। অশোকপশিংগী মনুংদা মীওই অমা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। অতৈ অশোকপা মীওইশিং অদু আর্মিগী বেজ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি।

হৌখিবা ওগষ্ট ২৬ তসু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা সিক্যুরিটি পার্সনেল নিপান অমদি মিলিটেন্ট অনী শিখি। থৌদোক অদুদা জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী ওফিসর মরি অমসুং সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী জৱান মরি শিখিবনি। অতোপ্পা সিক্যুরিটি পার্সনেল মঙানা অশোক-অপন নংখি।

শ্রীনগরদগী কিলোমিটর ২৫ লাপ্পা লৈবা পুলৱামাগী পুলিস কমপ্লেক্স অমদা মপান লৈবাক্তগী লাকপনি হায়না চিংনবা টেররিষ্টশিং চঙলক্লগা নোংমৈ রাউন্দ কয়ামরুম কাপশিল্লকখি।

MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

NOTICE
Dated, the 14th September, 2017

**No.MU/5-01/13/FCY/588** : It is hereby notified that some Guest Lecturers on contract basis will be engaged initially for a period of 6(six) months in following departments through **walk-in interview** :
1. Department of Forestry and Environment Science.
2. Department of Dance and Music.

**Essential Qualifications:**
As prescribed by the UGC for Assistant Professor in the concerned subjects.
**Honorarium:** Rs. 500/- per lecture subject to a maximum of Rs. 21,600/- (Twenty-one thousand) only per month.
**Date of Interview:**- 22-09-2017 at 11:00 a.m.
**Place of Interview:**- 1. Forestry & Environmental Science at Office of the Dean, School of Humanity and Environmental Sciences, MU
2. Dance and Music at Office of the Dean, School of Humanities, MU
Candidates are required to submit their biodata along with supporting documents to the concerned Deans, Manipur University, Canchipur – 795003 between 10 a.m. and 11 a.m. on the same day.

HL-B/4126/15
**Sd/- David K. Zote**
Joint Registrar

HelpingHand Health Care
Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.
Phone: 7085500324 / 0385-2051738
FREE O.P.D.
for First 4 Patient Everyday till Date 30 Sept. 2017 Time from 6 a.m.-2 p.m.
* ACUPRESSURE & PHYSICAL THERAPY
* HOMEOPATHIC
TIME : 6 AM TO 9 AM Date 13th - 16th Setp. 2017
WANTED 3 ACUPRESSURIST
Interview Date 15/09/2017, Time: 11. a.m. Salary Negotiable

HELPINGHAND GROUP
Rs.4,00,000/- (4 Lakh)
Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -
Half Monthly - Per Draw Rs.1000/- Lottery on 20th Sept. Join till date.

WANTED 4 STAFFS

| S.No. | Requirment Post | Qualification | Nos. | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Office Supervisor | Graduate | 1 | Rs.8000 - 12000 |
| 2 | Field Executive Officer | XII Passed | 2 | Rs.5000 - 7000 |

Form Available at Office.
Submission Lasted on 18th September
অপীকপা শেন্দোইদা GROUP লোনসু লৌবীয়ু !
HelpingHand Finance Service ( Office hrs. 10 pm - 5pm ) Please Visit Office.
( Govt. Registered) Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505
HL-B/4122/12to21 Sept.

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE SUB-DIVISIONAL OFFICER, WANGOI
IMPHAL WEST DISTRICT

N O T I C E
Wangoi, the 13th September, 2017

No. SDO/WGI/MC-NP/16/2015(Pt.)/1057(L) : In pursuance of letter No. 3/1/2003-MAHUD dated the 12nd September, 2017 of the Secretariat: MAHUD Department, Government of Manipur, it is hereby informed that a meeting to elect the new Chairperson and Vice-Chairperson of the Lilong (Imphal West) Nagar Panchayat will be held on the 23rd September, 2017 at 11.00 am as per schedule given below under the provisions of the Manipur Municipalities Act, 1994.

| Sl. No. | Date & Day | Time | Place | Purpose |
|---|---|---|---|---|
| 1 | 22/09/2017 (Friday) | 10.00 am to 1.00 pm | Camp Office of the SDO, Wangoi at DC Office Complex, Lamphelpat | Issue of Nomination form and its submission |
| 2 | 22/09/2017 (Friday) | 1.30 pm | Camp Office of the SDO, Wangoi at DC Office Complex, Lamphelpat | Scrutiny and declaration of validly nominated candidate(s) |
| 3 | 23/09/2017 (Saturday) | 10.30 am | Camp Office of the SDO, Wangoi at DC Office Complex, Lamphelpat | Closing of withdrawal of nomination and declaration of contesting candidate(s) |
| 4 | 23/09/2017 (Saturday) | 11.00 am | Camp Office of the SDO, Wangoi at DC Office Complex, Lamphelpat | Assembly of Councillors |
| 5 | 23/09/2017 (Saturday) | 11.15 am | Camp Office of the SDO, Wangoi at DC Office Complex, Lamphelpat | Election if contested |
| 6 | 23/09/2017 (Saturday) | 11.45 am | Camp Office of the SDO, Wangoi at DC Office Complex, Lamphelpat | Counting of votes and declaration of results |

Therefore, all the Councillors of the Lilong (Imphal West) Nagar Panchayat are requested to attend the said meeting in time positively.

HL-P/2902/15
Sd/- Yumnam Nelson
Sub-Divisional Officer, Wangoi

**Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences**
Bishnupur District, Utlou, Manipur.
Affiliated to Manipur University
(Under the aegis of Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)
Regd. No. 532 of 2017 dated 30th June, 2017

Ref No.PDDUIAS/Estd./1-2016/15
**ADVERTISEMENT**
The 4th August, 2017

The institute will recruit the following Teaching and Non –Teaching posts as per UGC/ICAR Service Rule for smooth and speedy functioning of the Institute.

| S. N. | DISCIPLINE | POSITION | RR | Pay Scale |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Agronomy | Asst.Prof -2 | As per latest ICAR/UGC norm | Rs15,600-39,100 with Grade Pay Rs 6000/- |
| 2 | Horticulture | Asst.Prof -3 | | |
| 3 | Plant Pathology | Asst.Prof -2 | | |
| 4 | Entomology | Asst.Prof -1 | | |
| 5 | Agril. Extension | Asst.Prof- 2 | | |
| 6 | Soil Science | Asst.Prof- 3 | | |
| 7 | Plant Breeding | Asst.Prof- 1 | | |
| 8 | Agril. Economics | Asst.Prof- 2 | | |
| 9 | Biochemistry | Asst.Prof- 1 | | |
| 10 | Agril.(Statistics) | Asst.Prof- 1 | | |
| 11 | Agril.(Engineering) | Asst.Prof- 1 | | |
| 12 | Clothing Textiles | Asst.Prof- 1 | | |
| 13 | Family Resource Management | Asst.Prof- 2 | | |
| 14 | Human Development | Asst.Prof- 2 | | |
| 15 | Aquaculture | Asst.Prof- 1 | | |
| 16 | Fishery Resource Management | Asst.Prof- 1 | | |
| 17 | Fish Breeding Genetics | Asst.Prof-1 | | |
| 18 | Aquatic Health Management | Asst.Prof-1 | | |
| 19 | Fish Feeding & Nutrition | Asst.Prof-1 | | |
| 20 | Seed Science & Technology | Asst.Prof-1 | | |
| 21 | Agril. Meteorology | Asst.Prof-1 | | |
| 22 | Crop Physiology/Plant Physiology | Asst.Prof-1 | | |

NON-TEACHING

| SN | DISCIPLINE | POSITION | QUALIFICATION | Pay Scale |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Accountant | 1 | M.Com/MBA Finance | Rs9,300-34,800 with Grade Pay Rs 4200/- |

*Note:*
*1.Application Form can be had from the undersigned by paying Rs 1000/-.*
*2.Last date of form submission :13th October,2017*
*3.Interview will be held on.: 30th October,2017*
*4.Short listed candidates will only be called for interview*

Sd/-
Member Secretary/Director
Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences
HL-P/2907/15